রিন্যু তৌদবা নোংমৈগী লাইসেন্স চৎনররোই

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

মতম চানা রিন্যু তৌদবা নোংমৈগী লাইসেন্স চৎনররোই হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট নাওরেম প্রবিননা য়াথং অমা থোকখ্রে। য়াথং অদুগী মতুং ইন্না লাইসেন্স লৌখ্রবা মীওইশিং চহী অনীগী মনুংদা নোংমৈ লৈরগা ওথোরিটিদা উহনগদবনি। অপীবা চহী অনীগী মনুংদা নোংমৈ লৈদবা তারবদি লাইসেন্স অদু চৎনদ্রে হায়না লৌগনি। করিগুম্বা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লকপা তারবদি ওথোরিটিনা লাইসেন্সকী মতম চহী অনী শাংদোকহনবা য়াই। আর্মস রুল ২০১৬ কী রুল ১৮না পীবা প্রোভিজনশিং ঙাক্তবা মরম্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা মার্চ ১৩ ফাওবদা আর্মস লাইসেন্স কয়ামরুম ইনভেলিদ ওইরে হায়রি।

ম্যান্মার আর্মিনা...

লামায় ১গী মখা...আর্মিনা এটেক চথখি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ম্যান্মারনা হন্দক লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমগী লালহৌলুপশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরবা য়াই হায়না থাজনরি। কুমজা ২০০৩ অমসুং কুমজা ২০০৯ দা ভুটান অমসুং বংলাদেশনা ইনিদয়াগী মায়োক্তা খুৎলায় পায়বগী লান হৌরিবা লালহৌবশিং তকথোরকখ্রবা মতুংদা ম্যান্মারগী সগাং রিজন্দা লালহৌবশিংনা কেম্প হাংদুনা লৈরকখিবনি। হৌখিবা মতম খরগী মনুংদা য়ুন্নোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎলকপগা লোয়নননা ম্যান্মারদা লৈরিবা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিং তকথোক্লবা ম্যান্মার আর্মিনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎলকপনি হায়রি।

GAS NEWS 15/03/2019

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:25/01/2019
Valid From:22/01/2019
Stk 14Kg:576, Rs.819/-
Timing:08.00am to 10.00am

IMPHAL LPG SERVICE
SL.NO. UPTO - 137
Booking Upto:07/03/2019
Valid From:15/01/2019
Stk :306, 19Kg Stk:29
5Kg commercial available
Timing:08.00am Onwards
Online booking, Payment and Home Delivery Available.
Delivery at Heinoupok

K&K INDANE SERVICE
SL.NO. UPTO - 200
Booking Upto:16/02/2019
Valid From:05/02/2019
Stk:612, Rs. 819/-
Timing:07.30am to 11.00am
(First Come First Serve)

KHORIPHABA GAS, NAMBOL
SL.NO. FROM - 20301
Booking Upto:13/02/2019
Valid From:07/02/2019
Timing:07.00am to 09.30am

KHONGNANG GAS AGENCY NINGTHOUKHONG
Booking Upto:22/01/2019
Valid From:16/01/2019
Stk :306
Timing:07.30am to 10.30am

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto:12/01/2019
Valid From:10/01/2019
Stk :306
Timing:07.00am to 10.00am

MAHALAKSMI INDANE GAS
SI No. Upto - 242666
Booking Upto:30/01/2019
Valid From:24/01/2019
Stk :306
Timing:07.00am to 11.00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL.NO. 2001 - 2580
Booking Upto:10/01/2019
Valid From:07/01/2019
Stk :306
Timing:07.00am to 11.00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:28/02/2019
Valid From:27/02/2019
Stk :306 (CTC & DNSC)
Timing:10.00am to 01.00pm

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:15/02/2019
Valid From:16/01/2019
Stk :306
Timing:07.30am to 10.00am

TDK SEKMAI
Booking Upto:12/01/2019
Valid From:07/01/2019
Stk :612
Timing:07.30am to 10.30am

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto:16/02/2019
Valid From:02/02/2019
Stk :306
Timing:07.30am to 10.30am
(First Come First Serve)

M/S BASHIKHONG INDANE
SL.NO. UPTO - 35440
Booking Upto:21/01/2019
Valid From:10/01/2019
Stk :306
Timing:07.30am to 10.30am
(First Come First Serve)

SAWOMBUNG INDANE
Booking Upto:02/02/2019
Valid From:22/01/2019
Stk :306
Timing:07.30am to 10.00am

মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং খন্ননবা হোৎনরকপগী ৱাথোক

হায় কোর্টনা রিটর্নিং ওফিসরগী নোটিফিকেসন সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুরবু স্পোর্টসকী পৱার হাউসনি হায়বগী মথক্তা ষ্টেট অসিদা নেসনলগী থাক্তা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা লিংনবগী অকনবা থবকশিং পায়খৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা লমদম অসিগী স্পোর্টস এসোসিএসনশিংগী মনুংদা অরিবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা অমা ওইদুনা লাক্লিবা মণিপুর রাইফল এসোসিএসন (এম আর এ) গী চৎলিবা কুমজা ২০১৯ দগী ২০২৩ ফাওবগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং খন্নবগী ইলেক্সন পাঙথোক্কনি থৌরাংলকপদা ৱাথোক ওইরক্তুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্ট অসিনা থৌরাংসিগীদমক রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) না থোকখিবা নোটিফিকেসন সস্পেন্দ তৌখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং খন্নবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিংবু শীংনদুনা কোর্ট অসিদা চেলেঞ্জ তৌরক্লিবা কেস অসিগী পিটিসনর অসিগী মমিং গুরুময়ুম য়াইমা শর্ম্মা (৪৮) কৌই। খুরাই থাংজম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা জি কুঞ্জগোপাল শর্ম্মগী মচানুপানি। মহাক এসোসিএসন অসিগী লাইফ মেম্বরনি। মহাক্না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা থা অসিগী ১২ দা ফাইল তৌরকখিবা কেস অদুগী নম্বরনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর-২৩৬ ওফ ২০১৯ নি।

কেস অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (কো-ওপরেসন), রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুর, লম্ফেলপাৎ, অনৌবা মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং ইলেক্সন তৌদুনা খন্নবগীদমক এপোইন্ট তৌখিবা রিটর্নিং ওফিসর, কো-ওপরেটিব কমপ্লেক্স, লম্ফেলপাৎ, এসোসিএসন অসিগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট এম রাচন্দ্র (৬৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম নিলমনি, হাওরোকচাম্বী সোইবম লৈকায় অমসুং এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ এন রাজেন্দ্রো (৫৪), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন গৌরচন্দ্র, উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়নি।

পিটিসন অসি কোর্ট অসিনা এদমিট তৌদুনা লৌখৎখিবগা লোয়নননা ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা খন্নখি। কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা এসোসিএসন অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং খন্ননবগীদমক এপোইন্ট তৌখিবা রিটর্নিং ওফিসরনা থা অসিগী ৪ দা থোকখিবা মহাক্কী নোটিফিকেসন (নম্বর ৱান/আর ও/ইলেক্সন-এম আর এ/২০১৯) অদু সস্পেন্দ তৌদুনা থমখিবগা লোয়নননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগী শরুকশিং মথং থাগী ১৭ তা লিষ্ট তৌদুনা খন্ননবা লেপখি।

কেস অসিদা পিটিসনরনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৫ ওইরিবা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ এন রাজেন্দ্রোনা মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং খন্নবগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী রিটর্নিং ওফিসরগী থৌদাং লৌরদুনা মমাঙ থাগী ১৩, ২০১৯ দা নোটিশ অমা থোকখি। মহাক্না থোকখিবা নোটিশ অদুগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা কেন্দিদেটশিং ওইনিংবা মীওইশিংনা মঙোন্দা ফেব্রুৱারী ২৭, ২০১৯ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা পাসপোর্ট সাইজ ফোটোগ্রাফ অনী অমসুং আধার কার্দকা লোয়নননা পীশিল্লক্কদবনি হায়দুনা খঙহনখি। লোয়নননা মীখল অসি চৎলিবা থা অসিগী ১০ দা পাঙথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি হায়রি।

সেক্রেটরি ইন-চার্জগী নোটিশ অসিগী মায়োক্তা কেস অসিগী পিটিসনর ওইরিবা জি য়াইমা শর্ম্মনা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুরদা মমাঙ থাগী ১৯ দা মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী মার্চ ১০, ২০১৯ দা পাঙথোক্কনি হায়রিবা ইলেক্সনগীদমক রিটর্নিং ওফিসর হাপ্পীনবা এপ্লিকেসন অমা পীশিনখি। এপ্লিকেসন অসিগী মতুংইন্না কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-২ ওইরিবা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুরনা থা অসিগী ১ দা ওর্দর (নম্বর- ২০৭/১৯৯৩) থোক্তুনা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩ ওইরিবী পি মেমি (দিষ্ট্রিক্ট কোওপরেটিব ওফিসর) বু রিটর্নিং ওফিসর (আর ও) ওইনা খনখিবগা লোয়নননা রেজিষ্ট্রার ওফ কো-ওপরেটিব ওফ সোসাইটিজ মণিপুরগী হেদ ওফিসতা ইন্সপেক্টর (সী এস) ওইবা কে ঐচ দিপকপুনা এসিষ্টেন্ট রিটর্নিং ওফিসর (এ আর ও) ওইনা খনখি হায়রি।

খল্লবা আর ওশিং অসিনা এসোসিএসন অসিগী ২০১৯-২০২৩ টর্মগী মেম্বরশিংগী ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়খি। অদুবু আর ওশিং খনবগী থৌওং অসি কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৪ (সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট) অমসুং রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৫ (সেক্রেটরি ইন-চার্জ) গী ইনফ্লুয়েন্সতগী খনখিবনি হায়দুনা কোর্টতা ৱাকৎলি। মসিগী মতুংদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-২ওইরিবা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুরনা থা অসিগী ৪ দা এসোসিএসন অসিগী অনৌবা মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিং খন্নবগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনগী নুমীৎ রি-ফিক্স তৌখিবগা লোয়নননা মসিগী মতম অমসুং মফম লেপখি।

আর সী এসকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩ ওইরিবী রিটর্নিং ওফিসরনা মীখল অসি পাঙথোক্লবগীদমক থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা নোমিনেসন পেপরশিং লৌশিনবগী অরোইবা নুমীৎ থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা ওইগদবনি হায়বগা লোয়নননা নোমিনেসন পেপরশিং পীশিনবগী মতম মার্চ ১১ ফাওবা অমুক এক্সটেন্দ তৌখি হায়রি।

অদুম ওইনমক পিটিসনর অসিনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলিবনা এসোসিএসন অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী অনৌবা মেম্বরশিং খন্নবগীদমক লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি মণিপুর রাইফল এসোসিএসনগী কনষ্টিট্যুসনগী রুল ১৭০(এ), (বি) অমসুং (সী) অমদি রুল ২০ না পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মায়োক্তুনি হায়খি। মরমদি এসোসিএসন অসিগী মীখল পাঙথোকপা তারগদি মসিগী ওফিসস বিয়ররশিং ওইরিবা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি, ট্রেজরর অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরিনচিংবশিংগী পোষ্টশিং ইলেক্সন তৌদুনা খনগদবনি হায়বসিনি।

মরম অসিনা পাঙথোক্কনি থৌরাংলিবা ইলেক্সন অসিগী আর ওনা থোকখিবা নোটিশ অসি চৎনহনবীগনু অমসুং কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর টু ওইরিবা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ মণিপুরদা মসিগী প্রসিদেন্ট, সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি, ট্রেজরর অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরিগী পোষ্টশিং ইলেক্সন তৌনবগী দিরেক্সন পীহন্নবসু কোর্টতা ৱাকৎখি। কেস অসিদা পিটিসনরগী মায়কৈদা সিনিয়র এদভোকেট মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি।

য়ুঙৌ লিটর ৪০০, হামৈ কে জি মঙাগা কোন্ননা মীওই মঙা ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ও সী ইন্সপেক্টর এন জাদুমনিনা লুচিংবা কাঙবুনা কাইরেনবিখোক এরিয়াদা দ্রাইভ চথবদা মীওই মরি য়ুঙৌ লিটর ১০০, হামৈ কে জি ৫গা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা য়ুগা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদুদি কাইরেনবিখোক মমাঙ লৈকাইদগী নোংথোম্বম শাখি (৪২) লৈকাই অসিমক্তগী এন ইবেমহল (৫০)নি। লৈকায় অসিমক্তগী হিজম শ্যামকুমার (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা ওমোর অমদি লৈকাই অসিমক্তগী এন মনি (৪৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোতোম্বীনি।

মখোয়দগী য়ুঙৌ লিটর ১০০ অমদি হামৈ কে জি ৫সু ফাগৎখি। য়ুগা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদু পুলিসনা এক্সসাজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে।

অমরোমদা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা য়াইরিপোক পুলিসকী ও সী ইন্সপেক্টর এম দি রিয়াজুদ্দিনা লুচিংবা টিম্না য়াইরিপোক কৈথেলদগী য়ুঙৌ লিটর ৩০০ গা কোন্ননা নুপা অমা ফারে।

পুলিসনা ফারবা মীওই অদুদি খুন্দ্রাকপম বসন্ত (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা খুম্বোং কৌই। মহাক্কী লৈফম্না খাংঙবোক পার্টি থ্রি তাংখা লৈকায়নি। মঙোন্দগী য়ুঙৌ লিটর ৩০০ ফাবগা লোয়নননা য়াইরিপোক্কী এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা শীন্নখ্রে হায়রি।

চৈরক অসিদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.০৫ রোম তাবদা হৈরোক পুলিসকী টিম অমনা হৈরোক সলুংফম এরিয়াদগী মীওই অহুম য়ুমদগী য়ুঙৌ লিটর ১৭৫ রোমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা মীওইশিং অদুদি হৈরোক পার্ট থ্রিদগী খুন্দোংবম মনি (৪৫) অপোকপা চাওবা কৌই। সলুংফম কাং য়োম্বেমদগী অহোংশাংবম ঙানবী (৪০) অপোকপা এ অচৌবা অমদি লৈকাই অসিমক্তগী থৌনাওজম তোম্বী (৭০) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ মোধুনি। য়ুঙৌ লিটর ১৭৫গা কোন্ননা ফারবা মীওই অহুম অদু হৈরোক্কী এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

রেপ কেস অমগী কনভিক্সন পীদুনা...

লামায় ১গী মখা...খঙহনখি। করিগুম্বা মহাক্না ফাইনগী শেনফম অসি পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৫ শাংদোক্কনি হায়রি। অদুগা মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরিবা আই পি সিগী সেক্সন ৫০৬কী মতুং ইন্নসু চহী অনী ফাদোক লৈগদবনি। অদুগা থৌদোক অসিগী ভিক্টিম ওইরিবী অদুদা কম্পেন্সেশন ওইনা ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর কোদকী সেক্সন ৩৫৭কী মখাদা লুপা ৩০,০০০ পীনবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবগীদমক মহাক্কী মথক্তা থৌবাল পুলিস ষ্টেশন্না কেস এফ আই আর নম্বর ৫৬(৪) ২০০৫, ২৩২(৭) ২০১৪ অমসুং সিটি পুলিস ষ্টেশন্না কেস এফ আই আর নম্বর ৮৫(৭) ২০১৭ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবসু লৈখিবনি।

মহাকপু অহানবা ওইনা কনভিক্সন পীখিবা অদুনা মমাঙগী কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ২৬ তা সেসন জজ থৌবালনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুং ইন্ননি।

পনবা য়াবদি, স্পিশল জজ (পোক্সো) বিষ্ণুপুরনা মমাঙগী কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর ১০দা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না মোইরাং পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা ইথিং খুঞ্জাও তাকমু লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা য়েংখোম থানিলগী মচানুপা শ্যামকহ্লাই (২৪) বুসু মোইরাং পুলিস ষ্টেশন অমসুং ৱিমেন পুলিস ষ্টেশন বিষ্ণুপুরনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসশিংগা মরী লৈননা চহী ১২গী ফাদোক পীবসু লৈখিবনি।

মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ১০গী মখাদা চার্জসিট ফ্রেম তৌরকপগী মতুং ইন্না কোর্ট অসিনা মহাক্কী মথক্তা ৱায়েল চত্থখিবনি।

এস এস য়ু এমগী...

লামায় ১গী মখা... ফত্তবনা মহৈ তম্বা ঙমদনা লৈরিবা মহৈরোয় মঙাসু এস এস য়ু এমনা মহৈ তমহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

এস এস য়ু এমগী মপোক নুমীৎ থৌরম অসিগা মরী লৈননা *মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক কখোল্লবা ঈহায়বা* থীমদা জেনিমসকা খুৎশম্নদুনা ঈ কৎপগী থৌরম অমসু জেনিমসতা পাঙথোকখি। ঈ কৎপগী থৌরম অদুদা এস এস য়ু এমগী এগজিক্যুটিব মেম্বরশিং য়াওনা মীওই কয়া ঈ কৎখি।

ইনভাইরনমেন্ট কনবগী থবক...

লামায় ১গী মখা...এস টিগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা হায়খি, ঈশিং লৈরগদি থৱায় পানবশিং লৈবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈবনা মসি য়াম্না মরুওইনা লৌগদবনি। ঈশিং অমদি মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাক্লি। তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা মরূশিংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ঈশিং চাউবা মতমদা য়াম্না কা-হেন্না চাউবা অমদি ঈশিং লৈতবা মতমদনা ঈকং থোকপগী ফীভম ফাওবা থেংনরি। ৱাটর সেদ এরিয়াদা খুন্দারিবশিংগীদমক খনবীবা চঙই। মখোয়গী হিংনবগী লম্বী কয়া য়াৎপীবগী তঙাইফদবা লৈ। হিংনবগী লম্বী লৈরক্তুবদি উয়ানবগী থবক হেনগৎলক্কনি। তুরেল মরূশিংদা উপাল-ৱাপাল মরাং কায়না হৌহন্দুনা মতম চুপ্পদা শংদুনতা লৈবা ফীভম অমদা থম্বা চঙই। মণিপুর অসি বাইও দাইভর্সিটি হোট স্পোটকী মনুং চন্না লৈরি। ঈশিং অমদি মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম শেংনা থম্নবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা এময়ুগী হান্নগী রেজিষ্ট্রার ডা. আর কে রঞ্জননা হায়খি, এসিয়াগী মনুংদা লৈবা মরুওইবা তুরেলশিংগী মনুংদা তুরেল অনীগী হৌরকফম অসি মণিপুরদগী ওইরি। মসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ইরিল তুরেল অসি লখমাই মায়কৈদগী হৌরকই। লমদমসিদা চেল্লিবা তুরেলশিং অমদি ঈশিংগা নাৎ অমদি সিভিলাইজেসনগা শাগোন্নবা কয়া লৈ। তুরেলশিংগী ঈশিংগী ফীভম মতম অমদা ওইরম্বা ফীভমগা হৌজিক্কা য়াম্না চাউনা অহোংবা উবা ফংলি। মতম অমদা ঈশিং নীংথিনা চেল্লম্বা তুরেল কয়া ঙসিদি অমোৎপা ঈশিং ওইনা চেনবা কয়া অমসু য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম য়ুগী দিন স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্স ডা. রাজমোহোন অমদি ক্বাকলৈ এন্দ খোঙ্গুনমেলৈ প্রাইভেট লিমিটেদকী সী ঈ ও ডা. আর কে ঈশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ইলেক্সন ওবজার্ভরশিংগী...

লামায় ১গী মখা... পাঙথোক্লবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হন্দক অহানবা ওইনা 'ওবজার্ভর এপ' কৌবা অনৌবা মোবাইল এপ অমা লোঞ্চ তৌখ্রবনি। এপ অসিগী মতেং লৌরগা জেনরেল, পুলিস অমদি এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভরশিংনা ঈ সী আইদা মখোয় মখোয়গী রিপোর্ট পীশিনবা য়ারগনি।

ꯃꯤꯇꯩ/WANTED

Hueiyen Lanpao Group of Publications require the following Post.

Sl. No	Name of Post	Qualification	Starting Salary
1.	Production Manager	Diploma/Degree in Printing Technology	Rs.18,000/- Per month

Please submit the application along with the bio-data on or before 15/3/2019 to the below given address.

Sd/- Manager
Hueiyen Lanpao, Sega Road, Thouda Bhabok
Leikai, Imphal-795001
HL-C/131/11-15

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
CRASH COURSE 2019
For NEET (Medical) Aspirants
Class commencement from:- 18th March 2019
SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS
- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X (Current year 2017) (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X (Current year 2017) Through Screening Test.
- Special concessions for all COMET School students (Limited seats)

FIRST COME FIRST SERVE
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning Near Keishampat Airport Road Imphal
HL-B/5281/13,14



CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X
SPECIAL FEATURES:
8th Position
LANCHENBA OINAM
19th Position
DEEPAK OINAM
ROHIT KHURUKCHAM
MAIBAM STEPHEN
LUNGINMANG HAOKIP
Classes for new batches starts from 4th April 2019
Seats are limited First come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/4983/15-21,27-29march

ঠিএটর ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনখ্রে, *বোনসাই* উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস):

নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা, এক্সটেন্সন প্রোগ্রাম দিপার্টমেন্ট, ন্যু দিল্লি অমসুং ইম্ফাল ঠিএটর মণিপুরনা খুৎশম্নদুনা নুমীৎ ৩০ নি চুপ্পা পাঙথোরকপা ঠিএটর ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন ঙসি বি টি রোদতা লৈবা রূমহল ঠিএটরদা লোইশিনখ্রে।

ঠিএটর ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. লমাবম খোগেন্দ্রনা চীফ গেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ঠিএটরগী প্রসিদেন্ট খোংবানতাবম সুধির অঙোমনা প্রসিদেন্ট ওইখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা খোংবানতাবম সুধিরনা হায়খি, ঠিএটর তৌবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা শোন্থরক্লে। ঠিএটর তৌরিবা খরা ওনশিন্নরগা লৈবা নত্তনা অতে লৈরক্তে। হান্না মপাঙ্গল কন্না লৈরম্বা কয়াদু ঙসিদি মপাঙ্গল করিগী শোন্থরক্লিবনো হায়বসি কন্নানসু ঙসি ফাওবা থিবীদে অমদি নৈনবীদে। ঠিএটর হায়বসি মীয়াম্না মতেং পাংদনা মপুং ফাবা ঙম্বা নত্তে। অদুনা ঠিএটর অসি য়োকখৎমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন অদুগী দ্রামা *বোনসাই* উৎখি। দ্রামা অসিগী টেক্স দিজাইন অমসুং দিরেক্টরনা লোইতোংবম পারিঙানবা অমসুং এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরনা মৈস্নাম বগিরতনি। প্লে অসিগী অইবনা ক্ষেত্রিময়ুম সুরজনি।

নোংমগী ওইবা ইন্দিজিনস সীদ মেলা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচ এন এস):

ইন্দো গ্লোবেল সোসল সার্ভিস, ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা ৱিকর সেক্সন্স দিভলপমেন্ট কাউন্সীল খাংসিম চানে দল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ইন্দিজিনস সীদ মেলা ঙসি ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই সী এ আর নোর্থইষ্ট হিল রিজন ইম্ফালগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. আই মেঘচন্দ্র, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর সী এ ও ইম্ফালগী এগ্রোনোমি দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর এল নবচন্দ্র, মণিপুর স্মোল ফার্মর্স এগ্রি বিজিনেস কন্সোর্টিয়মগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এম এস খাইদেম, কৃষি বিঞ্জান কেন্দ্র থৌবাল সবজেক্ট মেটর স্পেসিএলিষ্ট (পি বি জি) এস সুমঙ্গোল অমসুং নেসনল এৱার্দী পি দেবকান্তনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ৱিকর সেক্সন্স দিভলপমেন্ট কাউন্সীল খাংসিম চানে দল দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি এ সঙাইদরনা হায়খি, ফৌ খক্তা নত্তনা ইন্দিজিনসকী ওইবা মরু-মরাংশিং অসি মাঙশিল্লক্লগনি হায়বগী মীপায়বা পোকপদগী ঙসি মেলা অসি পাঙথোকপনি। দিষ্ট্রিক্ট অমগী ওইনা ফার্মর ২/২ না শরুক য়ারি। হৌজিক্কী মতমদা হায়ব্রিদ ঙাক্তা পুথোরকপা অসিনা য়েলহৌঙৈদগী মণিপুরগী ওইনা লৈজরক্লবা মরু মরাংশিং অসি তপ্না তপ্না মাঙশিল্লক্লি। মসি মাঙহন্দনবা হোৎনবগা লোয়নননা মুৎখিগদ্রা হায়না মীপায়রবা মরু-মরাংশিং অসি য়োকখৎতুনা থম্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোক্লি। মরুশিং অসি মাঙখিবা মতমদা ফুদ সেক্যুরিটি হায়বসি লৈররোই। অদুনা ইন্দিজিনসকী ওইবা মরু-মরাংশিং অসি কন্ননবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্নসু হোৎনবীগদবনি। আই সী এ আরনা চীংদা লৈরিবশিংগীসু য়েংশিনবীয়ু। সাইন্টিষ্টশিংনসু ইন্দিজিনসকী ওইনা লৈরিবা মরু-মরাংশিং অসি য়োকখৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

নেসনল এৱার্দী পি দেবকান্তনা হায়খি, হৌজিক্কী হোংলক্লিবা ফীভমসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা মরু-মরাংশিং অসি মাঙশিল্লক্লিবনি। লৌমীশিংদদি ইন্দিজিনস ওইবা মরু-মরাংশিং লৈরি। ফৌদা ওইরবসু, মরু-মরাংদা ওইরবসু ঐখোয়গী লৈজরক্লবা কয়া অসি মতম মতমগী চান্নবা মওংদা থাদুনা লাক্লবা ঙাক্তনি। লৌবুক-লমহাং অমদি খোংবাননচিংবদা মফম কয়াদা হৌরম্বা য়েল্লাং-কেংঙোই, পেরুক হৌজিক নীংথিনা থোরক্তে। অদুনা ইন্দিজিনসকী ওইবা মরু-মরাংশিং অসি য়োকখৎনবা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কচাই লেমনগী সেমিনার পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):কচাই লেমন হায়না খঙনবা চম্প্রা মখল অসিগী জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন (জি আই) রেজিষ্ট্রেসন খঙখ্রবা মতুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা নেরামাক অমসুং রিনরুমলান ওর্গানিক প্রদ্যুসর কম্পেনি লিমিটেদনা নোর্থইষ্টর্ন কাউন্সিলগা খুৎশম্নুনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৬তা উখুলগী টি টি এ হোল, হামলৈখোংদা পাঙথোক্লগনি। সেমিনার অদুদা তাংখুল লোনগী প্রসিদেন্ট হোমিংসন এন শিমরেনা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াগনি। সেমিনার অদুগী পান্দমদি ফার্মরশিংবু জি আই রেজিষ্ট্রেসন শিজিন্নবা অমসুং মদুগা শাগোন্নবা লিগেল রাইটশিংগী মরমদা খঙহনগনি। জি আই রেজিষ্ট্রি ওফিস, চেন্নাইদগী রিছোর্স পার্সন অমনা থৌরম অদু হৌদোক্কনি। হোর্টিকলচর এগ্রিকলচরগুম্বা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী অতে ওফিসলশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ইন্টরেক্সন অমসু য়াওগনি হায়রি।

Entrepreneurship Development Programme
National Institute of Electronics & Information Technology (NIELIT), Imphal
Akampat, Imphal East-795001, Manipur
Website: http://www.nielit.gov.in/imphal @NIELIT Imphal

NIELIT Imphal is organizing 05 (five) days residential Entrepreneurship Development Programme on **"Rooftop Solar Photovoltaic"** under world bank sponsored **"SUPRABHA TA"** program from 2nd April, 2019 to 6th April, 2019.
Training Fee : FREE
Who can participate?
(i) Entrepreneurs who are starting or in the current business (solar and non-solar).
(ii) Any individual who is certified by SCGJ under the qualification pack SGJ/Q0104 including "SURYAMITRA".
Start date of issue of application form : 13th March, 2019
Last Date of form submission : 26th March, 2019
For further details, please contact Shri. RK. Naojinglen Meitei, Senior Technical Officer, NIELIT Imphal (Mobile No. 8974310583)

Sd/-
(Th. Prameshwor Singh)
Executive Director
HL-B/5285/15

The Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.
Administrative Office, M.G.Avenue,Imphal

NOTICE
Imphal,the 13th March 2019

No.IUCB/76/2018-2019 : Notice is hereby circulated for general information to all Defaulter –loanees of the Bank who desired to close their NPA loan accounts, may take the rare opportunity offered by the Bank to close their NPA loan accounts on settlement basis within 21st March 2019. Therefore, all defaulter- loanees are requested to visit to this office on all working days during office hours to consider repayment of their NPA loan accounts on settlement basis.

Sd/- Armstrong Pame, IAS
Administrator
HL-B/5283/15,16

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
& Etech COMPUTER CENTRE
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
English Course + Free 1 mth. Computer Course
Instructor :
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)

#7005622203, 8974781877, 7005665814
English Features :
- Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Soft-skills, Daily Conversation, Personality Develpment, etc.

COMPUTER COURSES :
- DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing, HTML Programmings, Data Entry, etc.
- SPOKEN HINDI CLASS AVAILABLE
- Sunday Spoken English Class only for Class V - IX at 6 am to 9 am

Special Classes for X, XI & XII Appeared Students
HL-B/5246/3/3-4/5